**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফমা দিজিতেল দিলিভরি সিষ্টেম ফগৎহন্নবা খন্নখ্রে।

২) মিলালগী ২২ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী জি.এম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

৩) মায় ফজহন্নবা অকে অমৌগী পোৎলমশিং অখঙ অহৈশিং তান্নদনা শিজিন্নদনবা ষ্টেট লেপ্রোসি ওফিসারনা আপীল তৌরি।

৪) মণিপুরদা হৌজিক কোভিদকী এক্তিভ কেস অমা লৈরি। ঙসিগী ওইনা মীওই অমত্তা পোজিতিভ ওইখিদে।

অমসুং

৫) ইন্দিয়ান পোর্টস বিল ২০২৫ রাজ্য সভানা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা সংসদনা পাস তৌখ্রে।

------

রাজ্যপাল (এল) ঃ মীয়ামগী তঙাইফদবা সার্ভিসশিং দিজিতেলগী খুথাংদা হেন্না লাইনা অমদি চপ চানা ফংহন্নবগী পান্দমদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা অৰাংবা থাক্কী মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল, ইনফোর্মেসন টেকোলোজি অমসুং লেন্দ রিছোর্সেস সেক্রেটরি টি.ঐচ. কিরনকুমার অমসুং অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি। মীফম অদুদা আইনগা মরী লৈননা পায়খৎপা কেসশিংদা এ.আই. শিজিন্নবা, ই-ওফিসকী সার্ভিসশিং হেন্না মপুং ফানা পাঙথোকবা, খুঙ্গং অমসুং মীয়াম লৈবা মফমশিংগী মতাংদা নৈনবদা জিওগ্রাফিক ইনফোর্মেসন সিষ্টেম (জি.আই.এস) শিজিন্নবা অমসুং সরকারগী সোসিয়েল মিদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা মীয়ামদা ফংহনফম থোকপা ঈ-পাউশিং হেন্না মরিক চুমা ফংহন্নবা ৱাফমশিং খন্নখি। হায়রিবা থবকশিং অসিদা মরী লৈনবা অকুপ্পা ৱারোলশিংসু ওফিসিয়েলশিংনা রাজ্যপালদা পাউদমখি। রাজ্যপালনসু মীয়ামগী তঙাইফদবা সার্ভিসশিং হেন্না লাইনা খঙহনবা য়ানবা ইনফোর্মেসন টেকোলোজিদা য়ুম্ফম ওইবা থবকশিং মফম মতম চানা পাঙথোকবা খঙহনখি।

মিলাল(এল)ঃ মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোল অপুনবা লুপ(মিলাল)গী ২২ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী জি.এম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা, অথোইবা মীথুং ওইখিবা লম্লাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ খোঙবানতাবম ইবোমচানা হায়- মীতৈ ময়েক অমদি মীতৈলোল চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা মীলালনা লৌরক্লিবা থৌদাং অসি শিংথাবদা লোইবা নাইরোই। মীলালনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা কন্না হোৎনরকপদগী লৈঙাকসু হেন্না পুকিং চংলক্কুনা মণিপুরগী ময়েক ওইরিবা মীতৈ ময়েক অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী থাক ফাওবদা তমরকপা অসি থোইদোকা থাগৎনিঙাইনি। লোল অমসুং ময়েক হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা মীয়াম পুন্না থৌদাং লৌমিন্ননবসু এম.এল.এনা আপীল তৌখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীলালগী লুচিং পুরেল, খাইদেম ইঙোচানা হায়- মীয়ামদা লোল অমসুং ময়েক হেন্না পাক শন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা মীলালনা শিন্দুনা হৌখিবা থা অসিগী ৩ দা পুন্না মহৈরোই লিশিং ১৫,০৭০ না

শরুক য়াদুনা চাংয়েং সেন্তর ৩৫ দা ক্লাস ৱানদগী তেন ফাওবগী মহৈরোইশিংগী মীতৈ ময়েক্কী অইবা চাংয়েং পাঙথোকখি। হায়রিবা চাংয়েং অদুদা মহৈগী থাক খুদিংমক্কী ওইনা মকোক মথং তারবশিংদা ঙসি মীলালগী মপোক নুমিৎ থৌরমদা মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎলি। মহাকা হায়- মণিপুরদা য়েলহৌঙৈদগী লৈমিন্নরক্লিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মরক্তা ফাওনলোল ওইরিবা মীতৈলোল অসি নিংথিনা ঙাংনদুনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা হেন্না নুংশি চান্নবা পুরকপা ঙমগনি।

লেঙ্গুএজ (এল) ঃ মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেঙ্গুএজগী থাক্তা চলহন্নবা জাতি থাক্কী ৱার্কসোপ অমা ঙসি এন.জি. মনি কলেজদা পাঙথোকখ্রে। রাজ্য সরকারগী এস.সি.ই.আর.টিগী মখাদা কলেজ অসিগী মণিপুরী অমসুং ইংলিস দিপার্টমেন্ট অমদি আই.কিড.এ.সিনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এস.সি.ই.আর.টিগী দাইরেক্তর অহৈবম রোমেল, কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডাঃ দব্লিউ. জিবনকুমার অমসুং কলেজ অসিগী গভর্নিং বোদিগী চেয়ারমেন এন.জি. চাউবা য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। মণিপুরী লোলগী মতাংদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংবনা থৌরম অদুগী মপুংওইবা শক্তম ওইখি।

নোং (এল) ঃ মণিপুরগী জিলা ১১ দা হয়েং নোং চুগনি হায়রি। ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা থোকপা নোংজ্ নুংশাগী পাউদা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, সেনাপতি, তমেংলোং, কাংপোকপী, উখ্রুল, জিরিবাম, নোনে, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদা হয়েং ময়াই ওইরপ্পা চাং য়ৌনা নোং চুরবা য়াই। মফম খরদদি অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুগনি হায়রি। অমরোমদা, ঙসিসু মণিপুরগী জিলা খরদা ময়াই ওইরপ্পা চাং য়ৌনা নোং চুখি। চান্দেল জিলাদনা খ্বাইদগী য়ামা নোং চুদুনা মিলিমিতর ৮০ য়ৌখি। বিষ্ণুপুর জিলাদা মিলিমিতর ২৬, ইম্ফালদা মিলিমিতর ১৯ অমসুং চুরাচান্দপুরদা মিলিমিতর ১৭ য়ৌনা নোং চুখি। বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদদি মিলিমিতর ২১ য়ৌনা নোং চুখি হায়রি।

উনশা (এল) ঃ রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী ষ্টেট লেপ্রোসি ওফিসার সেনিয়র স্পেপসিয়েলিষ্ট ডাঃ শলাম বোচানা হায়রি- মায় ফজহন্নবনি হায়দুনা অখঙ অহৈশিং তান্নদনা অকে অমৌগী পোৎলমশিং শিজিন্নবনা ওন্ন-তৈনবা মহয় ফংলকপা য়াই।

অকাশবানি ইম্ফালগা ঙসি উন্নবা অমদা ডাঃ বোচানা হায়- সোসিয়েল মিদিয়াদা কনাগুম্বশিংনা মায় ফজথোকবনি হায়দুনা অকে অমৌগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং থাগৎলকপদা থাজদুনা হেক্তমক শিজিন্নবনা মীওই অদুগী উনশাদা হেন্না অমাংবা থোকহল্লকপা য়াই। মসিগী মথক্তা অকে অমৌগা মরী লৈনবা দুকানশিং ফন্নিবা মীওইশিংনা হেক্তমক পীশিল্লকপা পোৎলমশিং মায়দা তৈশিনবা হায়বসি চুমদে। মহাকা হায়- ষ্টেরোইদ য়াওবা অকে অমৌগী পোৎলমশিং মায়দা তৈশিনবদা উনশা পাথরকপদগী মতম খরগী ওইনা ঙৌথোকপা মানবদি য়াই। অদুবু মদু শিজিন্নবদগী উনশাদা শোকহন্দুনা লায়েংবদা ফগৎলকপা ৱাবা ফিভম ফাওবা থোকপা থেংনরে। মরম অদুনা অখঙ অহৈ নত্রগা উনশাগী ডোক্তরশিংগা নিংথিনা তান্নরবা মতুংদা মায় ফজথোকহন্নবনি হায়বা অকে অমৌগী পোৎলমশিং শিজিন্নবনা খ্বাইদগী চুমগনি।

কোবিদ (এল) ঃ মণিপুরদা হৌজিক কোভিদকী এক্তিভ কেস অমা লৈরি। রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- চহি অসিগী জন্ ১ দগী নৌনা শন্দোকপা হৌরকখিবা কোভিদ নাইন্তিনগী লাইচৎ অসিদা হৌজিক ফাওবদা পুন্না মীওই ৩৬১ পোজিতিভ ওইখি। মসিগী মনুংদা মীওই ৩৬০ নাবা ফাগৎলকখি। হন্দক শন্দোরকখিবা লাইচৎ অসিদা মীওই অমত্তা শিখিবগী পাউ লৈতে। ঙসিসু ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মীওই অনি অমসুং বিষ্ণুপুরদগী মীওই অমগী সেম্পল টেষ্ট তৌবদা অহুম্মক লোইনা নেগেতিভ ওইখি।

ফোরম (এল) ঃ রাজকুমার শিতলজিৎ সিংহগী ১১৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শিনবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা রাজকুমার শিতলজিৎকী মরমদা ৱা ঙাংখি। রাজকুমার সিতলজিৎনা ইরম্বা শৈরেংশিং পাথোকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

ডে (এল) ঃ    কোংপাল ষ্টুদেন্টস ৱেলফ্যার ক্লবকী ৫৭ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি খুরাই থোঙাম লৈকাইদা লৈবা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ক্লব অসিগী হান্না থৌ পুরম্বা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

কেম্পেন (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট টাক্স ফোর্সকী মখাদা পান ইন্দিয়া রেস্ক্যু এন্দ রিহেবিলিতেসন কেম্পেন জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্থরি। নুমিৎ ১৫ নি চত্থগদবা কেম্পেন অসি হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা হৌদোকখিবনি। কেম্পেন অসিগী মতাংদা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন ওফিসার- কোঞ্জেংবম অনিতানা হায়- কেম্পেন অসিগী মরুওইবা পান্দমদি চহি নৌরিবা অঙাংশিংবু খুদোংথিনিঙাই ওইবা কোল কার্খানা য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শিন্মী ওইনা থবক শুবা থিংবা হায়বসিনি।

সর্ভে(এল)ঃ    ইম্ফাল ইষ্ট অমদি থৌবাল জিলাদা ঙসি সোইল ট্রান্সমিতেদ হেলমিন্থিয়াসিসকী সর্ভে অমা হৌখ্রে । মসি হকশেল অমদি য়াইফ যুন্বাল মন্ত্রালয়গী মীয়েং মখাদা রাজ্য অসিগী ষ্টেট সর্ভিলেন্স ওফিসর, নেসনেল হেলথ মিসনগী মখাদা পাঙথোকপনি হায়রি। সর্ভে অসি থা অসিগী ২১ ফাওবা চত্থগনি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা ৱাইল্ড লাইফ মেনেজমেন্ট এন্দ রেস্ক্যু টেকিক হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমা ঙসি বিদ্যানাগর মল্টিপরপজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা রিলিফ

কেম্পতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ভেটরিনারিগী দিপ্যুতি দাইরেক্তর অমসুং দি.এফ.ও জিরিবাম শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা লন্নক্কী শা উচেকশিং করমা কনগদগে অমদি লিন্না চিকপা মতমদা করম্বা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

হোম (এল)ঃ মণিপুরদা লৈরিবা হোমগার্দকী ষ্ট্রেঙ্ক অসি লিশিং ৩,৩৯৪ শুহন্নবা অৱাৎপা পার্সোনেলশিং লৌবগী মতাংদা করি থবক পায়খৎলবগে হায়বদু খঙনবা রাজ্যগী হোমগার্দকী কম্মান্দেন্ট জেনেরেলদা মণিপুর হোমগার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই. মঙ্গিনা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। সরকারনা হোমগার্দশিংগীদমক পায়খৎপা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা এসোসিয়েসনদা খঙহনবীনবসু চেরোল অদুদা তকশিল্লি।

ফুড (এল) ঃ ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা ফুড সেফতি সুপরভাইজরগী ত্রেনিং অমা হৌখিবা থা অসিগী ৭ তগী চথরকখিবা অদু লোইশিন্দুনা সার্তিফিকেটশিং য়েন্থোকখ্রে। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু হকশেল বিভাগকী ফুড সেফতি এদমিনিষ্ট্রেসনগী মখাদা নেসনেল এসোসিয়েসন ওফ ষ্ট্রিট ভেন্দরস ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

হেলথ (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সি.এম.ওগী মীৎয়েং মখাদা অন্দ্রোদা লৈবা কষ্টুরবা গান্ধি বালিকা বিদ্যালায়ানা শিন্দুনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা পুন্না মহৈরোই ১৩০ রোম লায়েংখি ।

কাদা (এল) ঃ কাদানা ময়াই কাবা নিশাগী মায়োক্তা চথরকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী কোইরেঙ্গৈদা লৈবা মণিপুর পাব্লিক স্কুলদা মহৈরোইশিংদা ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। ময়াই কাবা নিশানা

মহৈরোই খুন্নাইদা পীবা চৈথেংগী মতাংদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল আর.কে. ইমোচা, কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

রাজ্য সভা ঃ ইন্দিয়ান পোর্টস বিল ২০২৫ রাজ্য সভানা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা সংসদনা পাস তৌখ্রে। বিল অসিনা ষ্টেট মেরিটাইম বোর্দতা অহেনবা শক্তি পীদুনা পোর্টশিংবু শিন লাংবগী থবক্তা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। মসিনা পোর্টশিংদা পোল্লুসন, দিজাষ্টর, ইন্মরজেন্সি, সেক্যুরিতি, সেফতি, নেভিগেসন অমসুং দেটাগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। মসিনা পোর্টশিংগা মরী লৈননা থোকপা চয়েৎনবগী ৱাথোকশিং লোইশিনবদসু চাউনা মতেং পাংলগনি।

রাজ্য সভাদা বিল অসিগী মতাংদা খন্নবগী পাউখুম পীরদুনা কেন্দ্রগী পোর্টস, সিপ্পিং এন্দ ৱাটরৱেজ মন্ত্রি সরবানন্দ সোনোৱালনা হায়- বিল অসি সমুদ্র খোঙবানদা লৈরিবা রাজ্যশিং অমসুং মরী লৈনবা ষ্টেগ হোল্ডরশিংগা কুপা খন্নরবা মতুংদা পাস তৌনবা পুথোরকখিবনি।

জিতেন্দ্র ঃ কেন্দ্রগী সাইন্স এন্দ টেকোলোজি মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি- কুমজা ২০৩৫ ফাওবগী মনুংদা ভারতিয়া অন্তরিক্ষ ষ্টেসন মথৌ হৌহন্নবা অমসুং কুমজা ২০৪০ ফাওবগী মনুংদা থাদা ভারতকী মী য়াওবা মীসন পাঙথোকবা সরকারনা অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা কন্না হোৎনরি।

লোক সভাদা ভারতকী এষ্ট্রোনোট অমনা ইন্তরনেসনেল স্পেস ষ্টেসনদা মায় পাকা চৎলুবগী মতাংদা অখন্ননা পাঙথোকপা খন্ন-নৈনবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়- হায়রিবা পান্দমশিং অসি কুমজা ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ভারতপু চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনরিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্কদবনি। ইন্তরনেসনেল স্পেস ষ্টেসনদা ভারতকী এষ্ট্রোনোট সুবানসু সুক্লানা ঐতিহাসিক ওইবা মিসন অমদা মায় পাকা চৎলুবা অদুবু থাগৎপা

ফোংদোক্লদুনা মহাকা হায়- লৈবাক অসিনা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী গ্রুপ কেপ্তেন সুবানসু সুক্লাগীদমক চাউথোকচবা পোক্লি।

হৌখিবা চহি ১১ দা স্পেস সেক্তরদা ভারতনা পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিং শিংথারদুনা মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা লৈবাক অসিগী স্পেস সেক্তরদা শিংথানিঙাই ওইনা অওনবা পুরকপা ঙমলে। অনৌবা ইনোভেসন অমসুং রিছার্সকী থবক থৌরমশিংসু খুমাং য়াংনা চংশিনবা ঙমলে।

মিজোরম ঃ মিজোরমগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যার মন্ত্রি লালরিনপুইনা ঙসি লুংলৈ জিলাগী মনুং চন্না লৈবা লুংলৈ সিভিল হোস্পিতাল অমসুং লুংশেন পি.ঐচ.সিদা রাজ্য অদুগী অহানবা হেলথ এ.টি.এম হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- ঙসি হৌদোক্লিবা হেলথ এ.টি.এম অসিনা অনা লায়েংগী লমদা খুঙ্গং অমসুং সহরগী মরক্তা লৈরম্বা অহাংবা অদু মেনশিন্দুনা মীয়ামদা মরুওইবা হকশেলগা মরী লৈনবা টেষ্ট মখল ৩৫ হেন্না লাইবা মওংদা তৌবা ঙম্লগনি। খোঙথাং অসিনা মিজোরমদা হকশেলগী লমদা চাউনা অওনবা পুরক্লগনি হায়বগী থাজবসু মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

দুরানঃ দুরান্দ কপকী অহানবা সেমি ফাইনেল হয়েং শিল্লোংগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শিল্লোং লাজোং এফ.সি অমসুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ থেংনরগনি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা কোলকাতাগী বিবেকানন্দ য়ুবা ভারতি ষ্টেদিয়মদা দাইমন্দ হারবর এফ.সিগা ইষ্ট বেঙ্গোল এফ.সিগা থা অসিগী ২০ দা শান্নগনি। ফাইনেল মেটচনা থা অসিগী ২৩ দা শান্নগনি।

ফুটবোল ঃ তমেংলোং ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা অমানা ৱাই.সিনা মোদেল বেপটিষ্ট চর্চপু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা তাকপুৱাংচা এফ.সিনা ফালোং ৱাই.ওবু পাঞ্জল ৫-২ দা থোইখি।

নিরজ ঃ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অমসুং ওলিম্পিক মেদালিষ্ট নিরজ চোপ্রা দাইমন্দ লিগ ফাইনেল ২০২৫ গী ক্বালিফাইদ ওইরে। লিগ অসি স্বিটজরলেন্দগী জ্‌রিক্তা থা অসিগী ২৭ তগী হৌগনি।

------